# সী সী মীট হায়বসি মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল টুর্নামেন্টনি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

সী সী মীটতা মীৎয়েং অমা



ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব অমসুং ৱাই এ সীনা সী সী মীট ১৯৬৬কী ফাইনেল মেচ শান্নবা হৌরমদাইগী শক্তম

(হান্নগী মখা...)

কুমজা ১৯৭৩দগীদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না ওর্গেনাইজ তৌদুনা সী সী মীট পাঙথোরকখি। লোয়ননা চহীদুদগী ওল ইন্দিয়া ওপন ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) নসু শকখঙলকখি। অসুম্না টুর্নামেন্ট অসিগী চপ চাবা মশক অমসু লাকখি। চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরকপনা চহী অমগী মনুংদা দিসেম্বর থা য়ৌশিল্লক্লবদি মণিপুরদা লৈরিবা ফুটবোলদা ঙাওজবা ক্লবশিং সী সী মীটকীদমক মায়কৈ মরিদা ইরাং লাংনরকই। মাগী মাগী টিমশিংনা অফবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্নরকই।

ঙল্লিঙৈদগী হৌনা ফুটবোলদা কখোল্লবা মীওই কয়া অমা লমদমসিদা লৈরকই। অহল লমনশিং ফুটবোলদা থৱায় য়াওজবশিং অদুনা কোয়চেন চেন্দুনা সী সী মীটকী ৱিন্নর ওইননবা অঙম অঙম্বা থাক্তা হোৎনরকপগী মহয়না অফবা ফুটবোল্লর কয়াসু থোরকপা ঙমখিবনি। এ আই এফ এফনা শকখঙলকপদগীদি মণিপুরদা ফুটবোলগী অকনবা ঈহৌ অমসু লাকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৩গী মতমদদি লোকল ক্লবশিংদগীসু মাগী মাগী ওইবা মপূং ফাবা টিম পুথোক্ল রক্তুনা টিম ২০ রোম্মা শরুক য়ারকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সী সী মীট অসি হৌরকপা মতমদদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ক্লব কয়াদগী খনগৎলকপা শান্নরোয়শিংনা শেন্বা মণিপুর এলেভেন কৌবা টিম অমখক্তংনা শরুক য়ারকখি। অদুবু মশান্না অসি হেন্না পান্নরকপা, ফুটবোল শান্ননীংবা নহা কয়া থোরকপদগী ক্লব ক্লবকী ওইনা অরিংবা টিম শেমদুনা হোৎনরকখি। ফুটবোল চুম্না কাওবা, গেম অসিদা পীথোরকপা মগুণ চেনবা শান্নরোয় কয়া মথং মথং থোরকপদগীদি মণিপুরদসু ফুটবোল শান্নরোয় পুথোরকপগী অতৈ ষ্টেটনা শকখঙনরকখি। সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ষ্টেটসিগী ওইনদি অফবা ফুটবোল্লর কয়া পুথোরক্লিবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই।

নীংশিংবা য়াবদি, সী সী মীট অসিগী হৌরকপা তাঙ্ককশিংদদি ফোর্থ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা অচৌবা মফম কন্দুনা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপকী মফম মুন্দুনা লৈখি। মণিপুর এলেভেন টিমসু রন্নর্স-অপ নৎত্রগা ৱিন্নরদি অদুমক তাবা ঙম্লকখি। মণিপুরগী লোকল ক্লবশিংগী মনুংদগী ইহান হান্না ৱিন্নর লৌবা ঙমখিবা টিম হায়রগদি তাঙ্খুল স্পোর্টিং এসোসিএসননি। তাঙ্খুল এস এ টিম্না কুমজা ১৯৫৩দা পাঙথোকখিবা সী সী মীটকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। অদুগা চহীদুদা রন্নর্স-অপ লৌবা ঙমখিবা টিম্না দি এস এ দিব্রুগরনি। অসুম্না লেপ্তুনা চথরকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী তম্পাক লমদমগী ক্লবশিংগী মরক্তগীদি নম্বুল মপাল এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (নাকো) না অহানবা সী সী মীটকী লেমজনীংঙাই ওইরবা শিল্ড লৌদুনা ৱিন্নর ওইখি।

কুমজা ১৯৫৬তা তৌখিবা সী সী মীটকী ফাইনেলদা নাকোগা কুকি স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নখি। মদুদা নাকোনা ৱিন্নর লৌরগা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা রন্নর্স-অপ তাখি। কুমজা ১৯৫৭তনা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব অসি ফাইনেল য়ৌরকখি। হায়রিবা চহীদুদা ফোর্থ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা ৱিন্নর, ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবনা রন্নর্স-অপ লৌখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব অসি কুমজা ১৯৫৭তগী হৌরগা ১৯৬৭ ফাওবা চাউরাক্পা চহী ১০ রোমদি ফুটবোলগী অরিংবা টিম ওইদুনা সী সী মীট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল তত্তনা চঙবা ঙম্বা টিম ওইরকখি। অদুগা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী হেক মথংদা মণিপুরগী লোকল ক্লবকী টিমশিংগী মরক্তগী টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ত্রাও) অসি সী সী মীটতা মীয়াম্না থোইদোক্লা খঙনবা টিম অমা ওইনা লাকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ১৯৬০ অমদি ১৯৬১দা ত্রাওনা সী সী মীটকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। কুমজা ১৯৬০দা শান্নখিবা সী সী মীটকী ফাইনেলদা ত্রাওগা ফোর্থ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকা লম্বা তৌনবদা ত্রাওনা থোইদুনা ৱিন্নর লৌখি।

কুমজা ১৯৬১দদি ত্রাওগা নাকোগা শান্নখি। ৱিন্নরদি ত্রাওনা ওইখি। কুমজা ১৯৬২দি সী সী মীট পাঙথোকখিদে। অদুগা কুমজা ১৯৬৩দগীনা ১৯৬৫ ফাওবা ত্রাও অসি ফাইনেল য়ৌবদি ঙমখি। অদুগা চহী অহুম অসি ৱিন্নর লৌবদি ঙমখিদে। চহী অহুম চুপ্পা রন্নর্স-অপ তাখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৯

১) চুড়াচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা টিমদা পীরিবা অচৌবা সিল্ড অদুগী ময়ায়দা টুলা মঙাগী সনা মপাক অমা হাপ্পী। সনা অদু কনানা কৎপনো?

২) মহাক্কী মপুবোক ওলেম্পিক্কী সেলিংদা সনাগী মেদল ফংখি। মহাকসু সেলিংদা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমদি মখুরানা শেন্বা টিম অমনা সেলিং টিমগী থৌরম অমদা ওলেম্পিক্তা অনীশুবা মনা ফংখি। মহাক্কী মচানুপা অমসুং মচানুপী ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা শরুক য়াই। মহাক কনানো?

৩) অফ্রিকা ষ্টার হায়না খঙনবা মনা (টকমান) অদু ফংখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাভারতকী মতুং ইন্না মখাদা পীরিবশিং অসি রেষ্টলিংদা খ্বাইদগী হৈবা নুপাশিংনি
(১) কিচক (২) ভিম (৩) দৃষ্ট্রারাষ্ট্রা (৪) জরাশনধা (৫) ভিরাট নিংথৌ (৬) কর্ণ মখোয়গী মরক্তা থোইদোক হেন্দোক্লা রেষ্টলিংদা হৈথোই শিংথোইদবা অমা য়াওরি। মহাক অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু। মহাক করম্বা মশান্নদা স্কুলগী চেম্পিয়ন ওইখি।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০ নিংথৌকাবা, নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## থোইবা এফ সীনা আর পি য়ু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : খোংজোম সর্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গেনাইজেসন (ভি এস ও) না শিন্দুনা এপ্রিল ১০দগী তেকচম হায় স্কুল অমদি তেকচম কাংজেবুংদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা ভি এস ও ত্রোফি ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা থোইবা এফ সীনা আর পি য়ু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা ভি এস ও ত্রোফি ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২তাবদগী থোইবা এফ সীয়ুম্নাম হুইদ্রোম অমসুং আর পি য়ুপাপল শান্নখি। মেচ অদু থোইবা এফ সীনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা আর পি য়ুবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। থোইবা এফ সীগী গোলশিং অদু জেকোবনা গোল ২ অমসুং চাউবনা গোল ১ চনখি। অদুগা আর পি য়ুগী গোল অদুনা বেনর্জিৎনা চনখি।

# অহানবা খাঙবোক ইন্টর স্কুল স্পোর্টস মীট ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : খাঙবোক দিভলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে দি এ এস য়ু) খাঙবোক্লা শিন্দুনা অহানবা খাঙবোক ইন্টর স্কুল স্পোর্টস মীট ২০১৮ দল্লিয়ু আই এস এফ ও য়ুগী গ্রাউন্দদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

অহানবা খাঙবোক ইন্টর স্কুল স্পোর্টস মীট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী হেদ মাষ্টর টি ঐচ য়াইস্কুল, সী এ য়ু ইম্ফালগী সেনিয়র টেক্নিকেল ওফিসর ডা. কে ঐচ অকোয়স্না, খাঙবোক পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সাইখোম ওপেন্দ্রো মীতৈ, ইষ্টর্ন ষ্টার হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ মঙ্গিজাউ, ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ রাজমোহন, ৱিজদম ফাউন্দেসনগী প্রিন্সিপাল এল সুভ, বেস একাদেমিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ বাবুতোম্বী মীতৈ, য়ানকি পিছ একাদেমিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ ইবোমচা মীতৈ, পি এম য়ুনিক একাদেমিগী প্রিন্সিপাল এল নবকিশ্বর, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ ওমেনকুমার মঙাং অমসুং গুলাপ মেমোরিএল ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল এন জসোৱন্তনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। স্পোর্টস মীট অসি হৌদোকপা নুমিৎতা য়ুবি লাকপী মশান্নগী ওইবা এগজিবিসন মেচ অমসু মহৈরোয়শিংনা শরুক য়ারগা পাঙথোকখি।

নুমিৎ হুমনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস মীট অসি খাঙবোক্তা লৈরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশীন তম্বগা শান্ন-খোৎনবগা পুন্না চৎমিন্ননবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

## তরেৎশুবা হরাওরৌ ত্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# শ্যাম এফ সী অমসুং তেলৌ এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : য়ুথ মোর্দন ক্লব হরাওরৌনা শিন্দুনা ৱাই এম সীগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা তরেৎশুবা হরাওরৌ ত্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা শ্যাম এফ সী অমসুং তেলৌ এফ সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা তরেৎশুবা হরাওরৌ ত্রোফি সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা ওইনা ঙসিগী অহানবা মেচতা অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবদগী ৱাই দি ও অমসুং এম পি টি সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী অনীশুবা মিনিটতা এম পি টি সীগী জর্সি নম্বর ১১ জেক্সন্না মহাক্কী টিমগী অহানবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। ৱাই দি ওগী মায়কৈদগী এম পি টি সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা মীকুপ ফাওবদা ৱাই দি ওনা এম পি টি সীগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদসু ৱাই দি ওগী শান্নরোয়শিংনা এম পি টি সীগী অহানবা হফতা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকখি। মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সি নম্বর ১৮ ৱাই অমুজাওনা এম পি টি সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবদগী পি জে পি সী পুখাও অমসুং ক্যামগৈ ওল্ড ষ্টার শান্নগদবা মেচ অদু ক্যামগৈ ওল্ড ষ্টার লাক্তবদগী পি জে পি সী পুখাওনা ৱর্ক ওভর ফংখি।

অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবদগী মঙাল এফ সী অমসুং বোলেরো এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

মরিশুবা মেচ ওইনা শ্যাম এফ সী অমসুং কোংপাল এফ সী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনিটতা শ্যাম এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ সমরনা গোল অমা চনখি। সমরনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মিনিট ৩ কান্নরগা মেচকী ১০শুবা মিনিটতা শ্যাম এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ রোহিটনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিনখি। কোংপাল এফ সীগী মায়কৈদগী শ্যাম এফ সীনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু শ্যাম এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা কোংপাল এফ সীগী এটেকশিং অদু নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা মীকুপ ফাওবদা কোংপাল এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা শ্যাম এফ সীগী গোল ২ অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ২৮শুবা মিনিটতা শ্যাম এফ সীগী দোলরনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা রোহিটনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। মিনিট ১ কান্নরগা মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা সমরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু শ্যাম এফ সীনা গোল ৫-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। কোংপাল এফ সীগী মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা শ্যাম এফ সীগী গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু শ্যাম এফ সীনা গোল ৫-০দা মায় পাকখি।

ঙসিগী অরোইবা অমসুং ৫শুবা মেচ ওইনা তেলৌ এফ সী অমসুং ৱাই দি এ ৱাইতোন শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা তেলৌ এফ সীনা লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু তেলৌ এফ সীনা গোল ৪-০দা মায় পাকখি। তেলৌ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ইবোতোম্বনা মেচকী ৬শুবা অমসুং ১৯শুবা মিটিতা গোল ২ অমদি গোনেন্দ্রোনা মেচকী ২৩ অমসুং ৩০শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখিবনি।

# পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র মেমোরিএল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ৱাই এস এস য়ু অন্দ্রোনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএ-সনগী মীৎয়েং মখাদা অন্দ্রো মচেংপাৎ য়ুথ ক্লব (এ এম ৱাই সী) না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা লাক্লিবা মে ১দগী ৬ ফাওবা অহানবা লৈখিদ্রবা পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়না অন্দ্রো মচেংপাৎ য়ুথ ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অহানবা লৈখিদ্রবা পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিদা শরুকয়ানীংবা ক্লব, এসোসিএসন অমদি ওর্গেনাইজেসন-শিংনা মখোয়গী এন্ট্রি ফোর্ম অদু ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা নৎত্রগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিদা লাক্লিবা এপ্রিল ২৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ট্রি ফীনা লুপা ৫০০ নি।

সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ২০, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১৫, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট সেট্টর অমসুং বেষ্ট লোকরদা লুপা লিশীং ১/১গী মনা পীগনি। লীগ কম নোক আউট বেসিষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অসি খ্বাইদগী নৌবা ভি এফ আই ওফিসল রুলস এন্দ রিগ্যুলেসন ঙাক্লা পাঙথোক্কনি হায়নসু মখা তারক্লি।

## ক্লব অমদি একাদেমিশিংনা রিন্যু তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা ক্লব অমদি একাদেমিশিংনা লাক্লিবা মে ২০ ফাওবগী মনুংদা অয়ূক্কী পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্লগা কুমজা ২০১৮গী ওইবা রিন্যু তৌননবা খঙহল্লক্লি। ক্লব অমসুং একাদেমিশিং অসিগী রিন্যু তৌবগী ফিনা লুপা লিশীং ৩ ওইগনি। করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ক্লব অমসুং একাদেমিশিংনা রিন্যু তৌহৌদ্রবদি মতুং তারকপদা লাকপা ৱাকৎশিং এসোসিএসন অসিনা লৌরোই হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি দল্লিয়ু মঙলেম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : হরিয়ানাগী হিলসরদা পাঙথোকখিবা ২শুবা নেসনল স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী ফুটবোল টিমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌখ্রে।

অনীশুবা নেসনল স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী অন্দর-১৪ অমসুং অন্দর-১৮গীদা মণিপুরনা ৱিন্নর ওইবদা নত্তনা সেনিয়র ওপনগীসু ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাই ক্বান্দো ইভেন্টতনা সেনিয়রগী কেজি ৭৪কী কেটাগোরিদা এল কুবেরনা গোল্ড, সেনিয়রগী কেজি ৬৮গী কেটাগোরিদা এন রোবার্টনা গোল্ড অমসুং সেনিয়রগী কেজি ৫৮গী কেটাগোরিদা এস অর্বোল্ডনা গোল্ড লৌখি। মণিপুরগী ফুটবোল টিম অমসুং টাই ক্বান্দোগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লৌরকপা অসিদা মণিপুর স্পোর্টস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং মণিপুর ফুটসাল এসোসিএসনগী অপূনবা এসোসিএসনশিংনা থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

## ৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# ও কে ৱাই সী, এন ৱাই সী অমসুং ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ও কে ৱাই সী, এন ৱাই সী নমদাইলুং অমসুং ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি ও কে ৱাই সী অমসুং এল ঐচ ৱাই সী লালপানি শান্নখি। মেচ অদুদা ও কে ৱাই সীনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এল ঐচ ৱাই সীনা সার্ভিস হান্না তৌখি। মেচ অদু ও কে ৱাস সীনা এল ঐচ ৱাই সীবু ৩-২ (২৫-১১, ২২-২৫, ১৬-২৫, ২৫-১৪, ১৫-১৩) দা মায়থীবা পীরম্লবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অনীশুবা মেচ ওইনা এন ৱাই সী নমদাইলুং অমসুং য়ু পি সী উচাথোল শান্নখি। মেচ অদুদা য়ু পি সী উচাথোলনা টোস ঙমদুনা সাইট খনখি। অদুগা এন ৱাই সীনা হান্না সার্ভিস তৌখি। মেচ অদু এন ৱাই সী নমদাইলুংনা য়ু পি সী উচাথোলবু ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-১৪, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীরম্লগা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

৮শুবা ৱাই কেসো সিংহ মেমোরিএল সেনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি অহুমশুবা মেচ ওইনা ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফস অমসুং টাদবুং ৱাই সী শান্নখি। মেচ অদুদা ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা টাদবুং ৱাই সীনা সার্ভিস তৌখি। মেচ অদু ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা টাদবুং ৱাই সীবু ৩-২ (২৬-২৪, ২৫-২০, ১৩-২৫, ২৪-২৬, ১৫-৬) তা মায়থীবা পীরম্লগা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা লীগ রাউন্দগী অরোইবা অমসুং ঙসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা ও কে ৱাই সী অমসুং য়ু পি সী উচাথোল শান্নখি। মেচ অদুদা য়ু পি সী উচাথোলনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা ও কে ৱাই সীনা সার্ভিস তৌখি। মেচ অদু ও কে ৱাই সীনা য়ু পি সী উচাথোলবু ৩-০ (২৫-২১, ২৫-১১, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীরম্লগা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবাঙমখিবা মরিশুবা টিম ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং প্রী ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউটকী অহানবা মেচতা এল ঐচ ৱাই সী অমদি ৩৭শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা মেচতা এন ৱাই সী নমদাইলোং অমসুং বি বি সী বিদ্যানগর শান্নগনি হায়রি।